ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO

The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




ময়াং ইম্ফাল অনীলোংবীগী ময়ায় য়ুম্ফম খুমন কংলৈ অপূনবা ইতিনফম্না মণিপুরনা নীংতম্বা নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকখিবগা লোয়ননা বোসেম অমদি কোসেমনা লৌবা এগজামশিংদা চাদা ৮০গী মথক্তা ফংলবশিংবু মনা পীদুনা ওকখিবা

থম্মোয় পাউদম : পূন্সি মশক খঙবা হৌরকপা - ৯ ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ খোঙউপ নঙবু কৈদগীনো, কনানা নঙবু ...

জপাননা এল্লাইদ ফোর্সতা সরেন্দর তৌখিবা ওগষ্ট ... ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ ওগষ্ট ১৪ : মণিপুরনা লোইলম শন্দোকপা ...

জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী কিশত্বারদা ক্লাউদবর্ষ্ট থোকখ্রে... ☛ লামায় ৯

লামায় ১২ ☛ টিম ২০না শরুক য়াদুনা চথরকখিবা অহানবা...


মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটিনা শীন্দুনা প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা চীং লেল্লবা থৌরম অমদা এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা লাইশ্রম মতুমগী লাইরিক 'মিঙ্গৌ খঙলকপদা ভানুমুখি' ফোঙখিবা




Vol. 49, Issue No. 136 | ইরাই, থৱানগী ২২নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Friday, August 15, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

# মণিপুরদা চৎনহল্লকখিবা 'প্রসিদেন্টস রুল' শীংনরকপা পিটিশনবু হায় কোর্টনা 'ইনফ্রকচুঅস' ওইরে হায়দুনা দিস্পোজ তৌখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচএনএস) :** লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টনা কন্সটিটুশনগী আর্টিকল ৩৫৬না মঙোন্দা পীবা পৱারগী মতুংইন্না ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিবু ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৫দগী সস্পেন্দেদ এনিমেশনদা থল্লগা ষ্টেট অসিদা প্রসিদেন্টস রুল চৎনহল্লকপবু মরম চাদে হায়দুনা তোঙান তোঙানবা মরমশিং পীরদুনা শীংনরকখিবা রিট পিটিশন (সী) নম্বর ১৫৫ ওফ ২০২৫ অমসুং পিটিশন অসিগা লোয়নরকখিবা মিসেলিনস কেস (দব্লিয়ু পি-সী) নম্বর ৩৭৪ ওফ ২০২৫বু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস কেম্পাইয়া সোমাশেকর অমসুং জষ্টিস এ গুনেশ্বরগী বেঞ্চনা 'ইনফ্রকচুঅস' ওইরে হায়দুনা দিস্পোজ তৌখ্রে।




মণিপুরদা 'প্রসিদেন্টস রুল' চৎনহল্লকপগী মায়োক্তা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা মখা তানা চেলেঞ্জ তৌগদৌরি

মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল চৎনহল্লকখিববু শীংনরকখিবা পিটিশন অদু ময়াং ইম্ফালগী চিরাই অৱাং লৈকায়দগী মশামকসু এদভোকেট ওইরিবা থোকচোম সুর (৫৬) অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ কুলবিধুনা পিটিস্নর ওইরগা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসকী সেক্রেটরিবু রেস্পোন্দেন্ট ওইহল্লগা কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরকখিবনি।

পিটিশন অসি ইহান হান্না জষ্টিস এ গুনেশ্বরগী বেঞ্চনা ফেব্রুৱারী ২৬, ২০২৫দা লৌখৎখি। কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা হোম এফ্যেরসকী সেক্রেটরিগী মায়কৈদা লেপখিবা লৈবাক অসিগী সোলিসিটর জেনরেল টুসর মহেতানা অসিগুম্বা মখলগী পিটিশন অসিদি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী রুলস-২০১৯গী চেপ্টর ৪-এগী রুল ৩ (১)(দি) গী মতুংইন্না দিভিজন বেঞ্চতা খন্ননবগীদমক চীফ জষ্টিসতা লানখৎকদবনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখিবনি।

সোলিসিটর জেনরেলগী সবমিশন অসিগী মতুংইন্না পিটিশন অসি চীফ জষ্টিসতা লানখৎলবা মতুংদা দিভিজন বেঞ্চনা মসিগী ৱায়েল থেঙ্খাং নাইনা চথরকখিবনি। কোর্টকী মায়কৈদগী পিটিশন অসিগা মরী লৈনবা নোটিসশিং হোম মিনিষ্ট্রিগী সেক্রেটরিদা ইস্যু তৌদুনা মহাক্কী মায়কৈদগী এফিদেভিট ওইনা পাউখুম পীখৎলক্ক বা খঙহনখিবনি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

লূপ কয়ানা ওগষ্ট ১৪, ১৯৪৭তা মণিপুরনা নীংতম্বা ফংখিবগী নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লখ্রে

# মণিপুর নীংতম্বগী নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লিবসি নীংতম্বগা মীখা পোনবগা অনীগী খেন্নবা নৈনবনি : নন্দো লুৱাং

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচএনএস) :** অদুঙৈ কুমজা ১৯৪৭কী ওগষ্ট ১৪গী অহিংদা বৃটিশনা মণিপুরদা পীরম্বা নীংতম্বা নুমিৎ অদুগী নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লিবসি নীংতম্বা হায়বসিনা করিনো, নীংতম্বনা কয়াম নুংঙাই অদুগা মীখা পোনবা হায়বসিনা করিনো অমসুং মীখা পোনবনা কয়াম ৱাবগে হায়বদু নৈনবগী য়াম্না তঙাইফদবা তাঞ্জা অমা থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা লৌরিবনি হায়না অমুকোগী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাংনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি অয়ুক পুং ১০.৪০ তারকপদা ক্বাকৈথেল অখাম লৈকায়দা লৈবা লূপ অসিগী ওফিসতা মহাক্না লুচিংদুনা অমুকোগা চৎমিন্নরিবা মৈরা পায়বী লূপশিংগী লুচিংবীশিং অমদি লূপ কয়াগী লুচিংবশিংসু শরুক য়ামিন্নদুনা পাঙথোকখিবা মণিপুরনা নীংতম্বা ফংখিবগী ৭৯শুবা নীংশিং থৌরমদা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

ইবুধৌ পাখঙবগী তুথুপ ৯ য়েকপা ফিরাল চিংখৎতুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এস মেমচা, অমোভাগী প্রসিদেন্ট ৱাই কুঞ্জরানিনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি। অদুগা থৌরমগী নুংগী ওইবা ৱারোলনা অমুকোগী জেনরেল সেক্রেটরি প্রটাপ লৈশাংথেম্না পীখি।

থৌরম অসিদা নন্দো লুৱাংনা মখা তানা হায়, ঐখোয় য়েলহৌমীশিংনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা তুংদা থবক অমত্তা ইনীং তম্না তৌবা ঙমহন্দ্রে। জে জে রুসিওনা মীওইবদি মনীং তম্না পোল্লকই অদুবু মফম খুদিংমক্তা য়োৎহ্লিং থাংই হায়বদুমক থাক্তা মণিপুরগী য়েলহৌমীশিং ইন্দিয়াদা তিল্লুবদগী য়োৎহ্লিং থাংবগী থাক্তা লৈবগুম্না তৌরে হায়খি।

মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লমদাই অমদি তিল্লবা মতুং ইকুই ...মখা লমায় ৩ কলম ২



ক্বাকৈথেল অখাম লৈকায়দা লৈবা অমুকোগী ওফিসতা মণিপুরগী নীংতম নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকখিবা

# কুমজা ২০২২দা পাঙথোকখিবা মণিপুর এসেমব্লিগী মীখলদসু ভোট হুরানখি হায়বগী খুদম ফংলে : মেঘচন্দ্র

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচএনএস) :** কুমজা ২০২২দা পাঙথোকখিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ১২শুবা মীখলদা অরানবা কয়া তৌদুনা ভোট হুরানবগী থবকশিং চথখি হায়বগী খুদম ফংলে হায়রদুনা বি জে পি লৈঙাক লাকপদগী অসিগুম্বা হুরান চিন্থি তৌবগী থবক অসি মফম খুদিংমক্তা লৈবগী ফীভম থেংনরে হায়না কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্রনা বি জে পিদা ওনশিন্দুনা মরাল শীখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি এ আই সী সীগী পাউতাক মতুংইন্না কোংগ্রেস লুচিংবা অমসুং লোক সভাগী ওপোজিশন লিদর রাহুল গান্ধীনা থা অসিগী ৭তা 'ভোট হুরানবা' গা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুগী ভিদিও কোংগ্রেস ভবনদসু অমুক হন্না উৎপগা লোয়ননা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, কর্ণাটকাগী মহাদেবপুরা এসেমব্লি

ককচীং ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনসু 'ভোট হুরানবা চৌক্রি থাদোকউ' হায়দুনা ককচীং কৈথেলদা লৈবা পার্টিগী ওফিসতা অকনবা খোঙজং চঙশিনখ্রে

সিটতা অরানবা ভোটর ময়াম হাপচিন্দুনা লোক সভা মীখলদা বি জে ...মখা লমায় ৩ কলম ১




## কৈখুদগী স্কৱারদন লিদর রিজৱান মালিকতা বির চক্র পীরে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচএনএস):** হন্দক ইন্দিয়ানা টেররিষ্ট অমসুং পাকিষ্টানগী মায়োক্তা চথখিবা ওপরেশন সিন্দুরদা পাকিষ্টানগী মুরিরকে অমসুং বহৱালপুরদা লৈবা লৈবাক অদুগী টেররিষ্টশিংগী হেদ ক্বার্টরদা চথখিবা মায় পাকপা এটেকতা শরুক য়াখিবা গ্রুপ কেপ্টেন মরি, ৱিং কম্মান্দর অমা, স্কৱারদন লিদর অহুম অমসুং ফ্লাইট লেফটিনেন্ট অমা পূন্না ইন্দিয়ন এয়রফোর্সকী ওফিসর তরেৎ খনগৎপদা ইম্ফাল ইষ্টকী কৈখুদগী সৈনিক স্কুল ইম্ফালগী এল্যুমনাই অমসু ...মখা লমায় ৩ কলম ৫



মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিশন

## হায় কোর্টনা কম্মিশনগী মেম্বরদা চ্যেরপর্সনগী থবক তৌনবা খঙহনখ্রে, থা ৬কী মনুংদা চ্যেরপর্সন খন্নবা দিরেক্সন পীখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচএনএস):** মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিশনগী চ্যেরপর্সন ওইরম্বা জষ্টিস য়ু বি শাহনা মহাক্কী সর্ভিস মতম লোইরদুনা ওগষ্ট ২৪, ২০২৪দা ফম অসিদগী পোথাখ্রবা মতুংদা কম্মিশনগী চ্যেরপর্সন অমা য়াওনা মথৌ তাবা মেম্বরশিং হাপচিনবীয়ু হায়দুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা অইবা চেরোল পীশিন্দুনা তকশিনবদা থবক ওইনা পাঙথোরক্তবদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা পিটিশন অমগী ৱায়েলদা কোর্ট অসিনা কম্মিশনগী হৌজিক লৈরিবা মেম্বর কে খগেন্দ্রদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## মীওইবদি 'ফ্রীদম' হায়বসিগা শাগোন্ননা পোল্লকপনি : এম পি বিমোল

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচএনএস):** মীওইবা হায়বসিদি 'ফ্রীদম' হায়বসিগা শাগোন্ননা পোল্লকপনি মরম অসিনা মী ওইনা পোল্লবদি পামজবা খঞ্জবা লৈতবা য়াদে হায়না কোংগ্রেস এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি, ইম্ফালনা শিন্দুনা ঙসি প্রেস ক্লবতা লাইশ্রম মতুমনা ইবা 'মিঙ্গৌ খঙলকপদা ভানুমুখি' হায়না মিংথোনবা ৱারেং লাইরিক অমা ফোঙবগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইরদুনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, অপাবা য়াওদনা অইবা লৈবা হৌনদে। অপাবা লৈবদগী অইবা থোরকপনি। খুন্নাইসিদা অহোংবা পুরক্লবগীদমক্তা অইবশিংনা ইরিবনি। অপাবশিংসু মশা মশাগী মনীং তম্বা লৈজৈ। হোংলক্লিবা লোলগী ওইবদা নৎত্রগা মীঙোন্দগী পুরুবদা ইকায়নীংঙাই লৈতে। মীতৈগী ওইনা তোঙানবা অমা লৈজরক্লিবা অসিনা ঐখোয় মীতৈশিং লৈবা ঙল্লিবনি হায়খি।

ইংলিস হায়বা লোল অসি রোমনা লৌশিল্লগা শেম শাদুনা পুথোকপা লোলনি। ইন্দিয়াদগী ফাওবা লৌরকপনা ঙসিদি ইন্দিয়ন ইংলিস হায়না ফাওবা পুথোক্লরক্লে। লোল হায়বসি এদোপ্টশন তৌবা চঙই। মীগী লোল মতৌ তমদুনা ঙাঙলগা চাওখৎপা মালহনবা মথৌ তাদে। ঐখোয়গী ফজখ্রবা লোল ঙাঙবদা চাওখত্তবা ওইনা উবসু লানগনি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## নীংতম নুমিৎতা গভর্ণরনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচএনএস):** মহৌশাগুম্না হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা লৈবাক অসিগী ৭৯লক শুবা নীংতম নুমিৎকী মাঙওইননা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা মণিপুরগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। নুমিৎ অসিনা ঐখোয়দা লৈবাক অসিবু নীংতমহনবগা লোয়ননা ইকায়খুম্না হিংনবগী লাম্থেংদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা মশীং থিঙমদ্রবা লান্মীশিং অদুগী থৌনা অমসুং কথোকপা নীংশিংহল্লে হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর টি ঐচ সত্যব্রতনসু নীংতম নুমিৎ অসিগী মাঙওইননা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## মণিপুরগী পর্সনেল ৮দা মেদল

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচএনএস):** মহৌশাগুম্না হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা লৈবাক অসিগী নীংতম নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না পীগদবা মেদল ফোর মেরিটোরিয়স সর্ভিসতা মণিপুরদগী পর্সনেল ৮ য়াওরক্লে। মখোয়শিং অদুদি এদিশনেল এস পি, ঐচ দেবেন্দ্র; দি এস পি থাংজ পাও বাইফে, সব ইন্সপেক্টর ৱাই নিলবির, হবিলদার আই দোরেন্দ্রো, কন্সটেবল শৈখোহাও, রাইফলমেন মাংতে, জেকি কোম অমসুং ৱার্দর এন জি সুরেন্দ্র কুমার অমসুং হেদ ৱার্দর এম দি হামিজউদ্দিননি।

### পাউচে পুথোক্লোই

ঙসি ওগষ্ট ১৫ ইন্দিপেন্দেন্স দেগী প্রেস ছুটি ওইবনা ওগষ্ট ১৬তা পাউচে অসি পুথোকচরোই।

- মেনেজর

# হোম গার্দশিংগী দি এ হেনগৎপগা মরী লৈননা রাজ ভবনদগী পীখিবা চেরোলগী মতুংইন্না থবক পায়খৎপীনবা কম্মিস্নর (হোম) দা হায়জখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচএনএস) :** মণিপুর হোম গার্দস এমপ্লোয়ীজ ৱেলফ্যের এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট ৱাই মঙ্গীনা হোম গার্দশিংগী দিয়রনেস এলাৱেন্সপু এপ্রিল ১, ২০২২দগী হৌরগা চাদা ১৪দগী ১৭.৫, জুন ১, ২০২২দগী হৌরগা চাদা ২১, দিসেম্বর ১, ২০২২দগী চাদা ২৮, মার্চ ১, ২০২৪দগী হৌরগা চাদা ৩২ অমসুং জন্যুৱারী ১, ২০২৫দগী হৌরগা চাদা ৩৯গী চাংদা সুপ্রিম কোর্ট অমসুং হায় কোর্টশিংনা পীখিবা ওর্দরশিংগী মতুংইন্না পুলিস কন্সটেবলশিংগা মান্ননা পীবিয়ু হায়না মে ২১, ২০২৫দা গভর্ণরদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অমগী মতুংইন্না রাজ ভবনদগী জোইন্ট সেক্রেটরিনা জুলাই ১০, ২০২৫দা লৈঙাক্কী কম্মিস্নর (হোম) দা অইবা চেরোল অমা পীখ্রবসু হৌজিক ফাওবদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থবক্তা ওন্থোকপীরক্ত্রে হায়দুনা গভর্ণরগী জোইন্ট সেক্রেটরিনা পীরকখিবা চেরোল অদুগী মতুংইন্না করি-করম্বা থবকশিং লৌখৎলবগে খঙহনবীয়ু হায়না ঙসি কম্মিস্নর (হোম) দা অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে হায়রি।

এসোসিএশন অসিগী মায়কৈদগী হোম গার্দশিংগী দি এবু পুলিস কন্সটেবল অমগা মান্ননা হেনগৎহনবীনবা তক্লরিঙৈগী চৈরক্তা কম্মান্দেন্ট/ হোম গার্দ, দেল্লীনা জুলাই ২, ২০২৫দা থোকখিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭


# গভর্ণর-ইন-কাউন্সিলগী মীফম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচএনএস) :** ঙসি গভর্ণর এ কে ভল্লানা ময়ায় তাংবল লৌদুনা রাজ ভবনগী কনফরেন্স হোলদা মহাক্কী গভর্ণর-ইন-কাউন্সিলগী মীফম পাঙথোকখ্রে। মীফম অসিদা চীফ সেক্রেটরি পি কে গোয়ল, গভর্ণরগী সেক্রেটরি অমসুং তোঙান তোঙানবা লোয়শঙশিংগী সেক্রেটরিশিংনা শরুক য়াখি।

মীফম অসিনা তোঙান তোঙানবা লোয়শঙশিংদগী পুখৎনরকপা এজেন্দাশিং খন্নখিবগা লোয়ননা লৈঙাক্লোনগী থবক্তা খূৎশম্নিনা অমসুং পুকচেল শেংনা চথনবা মরু ওইনা খন্নখি।

# দিমাপুরদগী মাও তারকপা বাইপাস রোদ শেমজিনগদবনা নুমিৎ ৪নি গাড়ী চৎপীগনু

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচএনএস) :** ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী পরিংগী মনুংদা নাগালেন্দগী ফেসামাদা হৌখিবা মে ৩১দা লেন্দস্লাইদ থোক্তুনা শাংলবা হায়ৱে অসিগী শরুক অমা নমথখিবদগী নাগালেন্দগী চকভমাদগী কেদিমা তারক্লগা মাও তারক্কদবা বাইপাস রোদ অমা শেমদুনা চৎনরকখিবা লম্বীগী ফীভম কা হেন্না শোকচিল্লকপদগী মখা চানা চৎপা য়ানবগীদমক শেমজিনগদবনা ঙসিদগী হৌরগা নুমিৎ ৪নি ...মখা লমায় ৩ কলম ২




HL-B/9781/15